# হুইয়েন লানপাও

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




ববিনা হোস্পিটালগী অহানবা মপোক কুমওন থৌরমদা লায়েংশঙ অসিগী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ডাক্তর, নর্স অমদি ষ্টাফশিংদা শকখঙচে পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎখিবা


থম্মোয় পাউদম : পূন্সি মশক খঙবা হৌরকপা - ৪ ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ বাইওদাইভর্সিটি করিনো মসিনা করি থৌদাং লৌরিবগে

ফৌদা নাপী হৌহন্দবা ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ টেররিষ্টশিংনা চথরক্লিবা থৌওং য়েলহৌমী...

এস আই আরগী মতাংদা খন্নসি হায়বা ওপোজিশনগী... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ শান্নরোয়শিংনা মায় পাক্লবা মতুং লৈঙাক্লা...


ৱাঙ্খৈগী গুরু গৌরচন্দ্র ক্রাফ্টস সেন্টরনা শীন্দুনা ৱাঙ্খৈ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ক্রাফ্টসকী শক্লাইরবী গুরুময়ুম মেমচাবু তরাম্না ওক্লদুনা শকখঙচে খূৎশিন্নদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা




Vol. 49, Issue No. 125 | নিংথৌকাবা, থৱানগী ১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Monday, August 04, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### সুপ্রিম কোর্টনা টেলঙ্গনাগী স্পিকরদা এন্টি-দিফেক্সনগী প্রোসিদিং থা ৩গী মনুংদা লোইশিন্নবা খঙহনখ্রে

## মণিপুরদা জে দি-য়ুদগী বি জে পি ওনখিবা এম এল এ ৫গী ৱায়েল রিজার্ভ তৌরকপা থা ৫ হেঞ্জিল্লক্লে, করম থোক্লগবা

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২৮ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ৮দা লৈরিবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংদা পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌবদগী চৎনহল্লক্লিবা 'এন্টি-দিফেক্সন লো' গী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা লিংলিবা লো অসিগী প্রোসিদিংশিং চত্থগদবা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলদা ৱাকৎলকপা লো অসিগা মরী লৈনবা ৱাকৎশিং ত্রাইব্যুনেল অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবা স্পিকরশিংনা মতম চানা প্রোসিদিং চত্থদ্রে হায়বগী ৱাকৎ কয়া লাকপগী মথক্তা মমাঙগী কুমজা ২০২৪দা টেলঙ্গনা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ভারত রাষ্ট্রা সম্মিথি (বি আর এস) গী এম এল এ ১০না লো অসিগী ৱাংমদা রুল্লিং কোংগ্রেস পার্টিদা য়াওশিনখিবগী মায়োক্তা ষ্টেট অদুগী স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলদা ৱাকৎলবসু মথৌ তাবা প্রোসিদিংশিং লোইশিন্দ্রে হায়দুনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলকপদগী এপেক্স কোর্ট অসিনা টেলঙ্গনাগী স্পিকরদা অহকপা দিরেক্সন পীখ্রে।




দিরেক্সন অসি হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস বি আর গভাইনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা পীখিবনি। টেলঙ্গনা এসেমব্লিগী স্পিকরসু ওইরিবা এসেমব্লি অদুদা টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা লিংবা ত্রাইব্যুনেলগী প্রিসাইদিং ওফিসরনা বি আর এসকী এম এল এ ১০না কোংগ্রেসতা য়াওশিনখিবগী মায়োক্তা ত্রাইব্যুনেল অদুদা ৱাকৎলবসু লৌখৎফম থোকপা থবকশিং অমত্তা লৌখৎত্রে হায়দুনা ৱাকৎলকপা পিটিশন খন্নরকপদা চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা বেঞ্চনা হায়, এন্টি-দিফেক্সন লো শেমদুনা চৎহল্লক্লিবা পার্লিয়ামেন্টনা এসেমব্লিগী স্পিকরশিং অমসুং টেন্থ সেদ্যুলগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### মণিপুর পুলিসকী থৌদাং হেন্না পাকথোক চাউথোকহল্লগনি

## মন্ত্রিপূখ্রিদা ন্যু সেক্রেটরিএট পুলিস ষ্টেশন অমা হাংলগনি, এস দি পি ওগী অনৌবা পোষ্ট ১২ লৈরগনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা অদুঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমদগী লৈরকপনা হৌজিক চহী ১০০ হেঞ্জিল্লক্লবা মণিপুর পুলিস ওর্গনাইজেশনন‌া ষ্টেট অসিগী মীয়ামগীদমক লৌরকপা থৌদাং হেন্না পাকথোক চাউথোকহন্নবগী পান্দমদা চহী খরগী মমাঙদগী মন্ত্রিপূখ্রিদা শাবা হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবা পুল্লোই লোইশিন্দবদগী শঙ্গাবা য়াদদুনা লৈরক্লবসু অথুবা মতমদা মফম অসিদা শাগৎলক্লিবা ন্যু সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্স অসিগীদমক অনৌবা পুলিস ষ্টেশন অমা 'ন্যু সেক্রেটরিএট পুলিস ষ্টেশন' হাংদোকপদা মণিপুর লৈঙাক্লা অয়াবা পীখ্রে।



পুলিস দিপার্টমেন্টনা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা নত্তনা মীয়ামগীদমক লৌরক্লিবা থৌদাং হেন্না মায়পুননবা মন্ত্রিপূখ্রিদা শাগৎলিবা সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্স অসিগীদমক অনৌবা পুলিস ষ্টেশন অমা হাংদোকপা খক্তা নত্তনা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট মঙা অমসুং অরিবা দিষ্ট্রিক্ট মরিদসু সব-দিভিজনেল পুলিস ওফিসর (এস দি পি ও) গী পোষ্ট ১২ হাপকৎপদসু লৈঙাক্লা অয়াবা পীরে হায়রি।

ঙসি পি ঐচ ক্যুদগী দি জি পিনা থোরকপা চেরোল অমনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মন্ত্রিপূখ্রিদা হোংলগদবা ষ্টেট সিভিল সেক্রেটরিএট অমসুং পুলিস হেদ ক্বার্টরগীদমক মতিক চাবা সিক্যুরিটি কভরেজ তৌবগী মথৌ তারকপা অমসুং মন্ত্রিপূখ্রি এরিয়াদা লো এনফোর্সমেন্ট তৌগদবনা অনৌবা পুলিস ষ্টেশন অসি হাংদোক্কদবনি। অদুবু নৌনা হাংদোক্কদৌরিবা সেক্রেটরিএট পুলিস ষ্টেশন অসিনা মন্ত্রিপূখ্রিদা লৈরগদবা সিভিল সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্স অমসুং পুলিস হেদ ক্বার্টরবু খক্তা মীৎয়েং চঙবদা নত্তনা মন্ত্রিপূখ্রিগী এরিয়াদা লৈরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর, আই আই আই টি অমসুং ফোরেষ্ট ওফিসকী কমপ্লেক্সনচিংবসু মখোয়গী মীৎয়েং মখাদা লৈরগনি হায়রি।

অদুগা পুলিস ষ্টেশন অসি নৌনা হাংদোকপদা নত্তনা ন্যু কেপিটোল কমপ্লেক্স অসিদা সব-দিভিজনেল পুলিস ওফিসর (এস দি পি ও)গী পোষ্ট অমসু লৈরগনি। হায়রিবা এস দি পি ওগী পোষ্ট অসিদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জ্যুরিসদিক্সনগী মনুং চনগনি হায়রি।

এস দি পি ও অসিনা সেক্রেটরিএট পুলিস ষ্টেশনগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা হান্নদগী লৈরক্লবা হৈঙাং পুলিস ষ্টেশনসু কোনশিনগনি। মহাক্লা অথুবা মতমদা থবক ওইনা পাঙথোকপগী মথৌ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## নাখৈ শেংনা মীতোপ তকথোক্ত্রিবা ফাওবা ঈং-তপ্পা পুরক্লোই : মেঘেন

### খুন্দ্রাকপম অৱাং লৈকায়দা অরানবা চার্জ তৌগনু অমসুং ভিলেজ ভোলন্টিয়রশিং ফাবা লেপ্পু হায়দুনা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা খূৎলায় পায়রগা চঙলক্লিবা মীতোপশিং নাখৈ শেংনা তকথোক্ত্রিবা ফাওবা লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা পুরক্লোই হায়রদুনা খুল ঙাকপশিং কনবা হায়বসি লৈবাক অসিবু কনবনি অমসুং খুল ঙাকপা ফাওবা কনবা ঙমদ্রবদি ইরমদম কনানা ঙাক্কনি হায়না য়ু এন এল এফকী চেয়রমেন ওইরম্বা আর কে মেঘেন (সনায়াইমা) না ফোঙদোকখ্রে।




ৱাফম অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## এন আই এনা মীহাৎপশিং শুনা ফাবীয়ু : জে এ সী

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচএনএস) :** নবেম্বর ১১, ২০২৪গী নুংথিল পোবোবতা বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী মনুং চনবা মোধুপুরদগী চহী ফাদ্রিবা অমা য়াওনা অঙাং অহুম, অঙাংশিংগী মমা অনী অমসুং মীয়াই চল্লবী নুপী অমা পূন্না মীওই তরুক্পু মার টেররিষ্টশিংনা ফাদুনা পুখ্রবা মতুংদা তমথীবা মওংদা হাৎলগা বরাক তুরেলদা থাদরক খিবা থৌদোক্কী মতাংদা এন আই এনা কেস অমা লৌখৎতুনা চথরক পা ইনভেষ্টিগেশনগী মনুং চন্না চেন্নবা মীওইনি হায়বা অনী ফাখিবা অসি লৈখিদ্রবা ভিক্তিমশিংগী ইমুং-মনুং অমসুং বোরোবেক্রাগী খুঞ্জাশিং য়াওনা থৌদোক অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা এন আই এবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।



অদুম ওইনমক থৌদোক অদুগী মতাংদা ফারবা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী মোইনাথোল খুলদগী থাংলেনলাল মার এলিয়জ বোয়া অমসুং আইজোলদগী লালরোশাং মার এলিয়জ রোসাং ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## দেল্লীদা মণিপুরগী মহৈরোয় অনী থাঙনা থিল্লম্বদা চেন্নবা মীওই অহুম ফারে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচএনএস):** দেল্লীদা মহৈ-মশিং তমদুনা লৈবা মণিপুরদগী জেরি অমসুং সেফর্দ কৌবা মহৈরোয় অনীবু থাঙনা থিল্লম্বা থৌদোক্কী মতাংদা দেল্লীগী মোদেল টাউন পুলিস ষ্টেশনন‌া কেস অমা লৌখৎতুনা চথরকপা ইনভেষ্টিগেশনদা মখোয় অনীবু থাঙনা থিল্লম্বা মীওই ৪গী মনুংদা ৩ ফাগৎপা ঙম্লে হায়রি।

থৌদোক অসি হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক অঙনবা পুং ৪ রোম তারকপদা দেল্লীগী বিজয় নগরগী মফম অমদা থোকখিবনি হায়রি।

শোক্লবা মহৈরোয় অনীনা মফম অদুদা লৈবা দুকান অমদগী থক্লনবা ঈশিং লৈনবা হোৎনরিঙৈদা মোটোর সাইকল ২দা লাকপা মীওই ৪না মখোয় অনীবু করেম-কথাইনদুনা খৎনবা হৌরবা মতুংদা থাঙনা থিল্লম্বনি হায়রি। থৌদোক অসিদা জেরিগীনা পুক্তা শোক্লগা সেফর্দকীনা নঙ্গললোমদা শোকখি। শোক্লবা মখোয় অনীবু বড়া হিন্দু রাও হোস্পিটালদা মখোয় অনীগী মমান্নবা অমনা পুখৎতুনা লায়কন্নখি হায়না দেপ্যুটি কমিস্নর ওফ পুলিস (নোর্থ ৱেষ্ট) ভিসম সিংহনা ওফিশল ওইনা ফোঙদোকখ্রবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা মোদেল টাউন পুলিস ষ্টেশনন‌া কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা মসিগী ইনভেষ্টিগেশন চথরকখিবনি। ইনভেষ্টিগেশন অসিগী মনুং চন্না থৌদোক থোক্লিবা মফম অদুদা শীজিন্নবা সী সী টিভি কেমেরাশিংগী ফুটেজশিং খোমগৎখি ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### ববিনা হোস্পিটালগী মপোক কুমওন

## মালেমগী থাক য়োরবা লায়েংশঙ কয়া মণিপুরদা লৈরক্লিবসি অনা-লায়েংদা মাঙজিল থারি তাকপনি : হেল্থ দিরেক্টর

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচএনএস):** ববিনা হোস্পিটালনা চহী অমা মপূং ফারকপগী অহানবা ফাউন্দেশন দেগী থৌরম ঙসি নোর্থ এ ও সীদা লৈবা হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. চন্দ্রো গোলমৈ, ববিনা গ্রুপস ওফ কম্পনিগী চেয়রমেন অমসুং দিরেক্টর ডা. থাংজম দবলি অমদি লায়েংশঙ অসিগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. শ্যামকুমার লাইশ্রমনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, ময়ায় তাংবল অমসুং অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

থৌরম অসিদা ডা. চন্দ্রো গোলমৈনা হায়, ...মখা লমায় ৮ কলম ৬

## চান্দেলদা সী এন পি ওনা শীন্দুনা ইন্দো-নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবগী ১০শুবা কুমওন পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা লালহৌলূপশিংগী মনুংদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা লালহৌলূপ অমনি হায়দুনা লৌরক্লিবা নেশনল সোশলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম - আই এমগা সিজ ফায়র তৌনদুনা পীছ টোক চথরক্লবা মতুং কুমজা ২০১৫গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা নাকল অনীনা খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ১০রক শুরকপা নীংশিং থৌরম ঙসি চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেশন (সী এন পি ও) না শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা পাঙথোকখ্রে।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা নাগা ফূরুপ ১১গী মহুৎ শিন্দুনা ওর্গনাইজেশন ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ফাগৎলবা কিলোগ্রাম লিশীং ৪ হেনবা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিকশিং রি-সাইকল তৌনবা গুৱাহাটিদা থাখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচএনএস):** মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোনা অথিংবা থল্লবা মতুংদা ফাগৎলকপা চাওরাক্লা কিলোগ্রাম ৪,৪৬৪ হেনবা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিককী কেরি বেগশিং অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াদনবা মচিন তুম্বা খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা হুত্তোক্লবা মতুংদা রি-সাইকল তৌরুনবা গুৱাহাটিগী ফার্ম অমদা ঙসি নুংথিল ইম্ফালদগী থাদোকখ্রে।

ফাগৎলবা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিকশিং অসি আই এম সীগী কেম্পসতগী মাহুদকী দিরেক্টর এন জি উত্তম, লৈঙাক্কী ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী দিরেক্টর টি ব্রজকুমার, মণিপুর পোল্যুশন কন্ট্রোল বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরি দব্লিয়ু রোসন অমদি আই এম সীগী কমিস্নর কে চন্দ্রকুমারনা শরুক য়াদুনা গুৱাহাটিদা থাখিবনি।

সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিকশিং রি-সাইকলগীদমক থাখিবগা মরী লৈননা এন জি উত্তমনা পাউমীশিংদা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা অথিংবা থমখ্রবা সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিকশিং অসি আই এম সী, এম পি সী বি, ঈ সী সী অমদি পুলিসনা খূৎশম্নদুনা চহী অসিগী এপ্রিল থা হৌরকপদগী দ্রাইভ চত্থদুনা ফাগৎলকপনি। পোৎলমশিং অসি রি-সাইকল তৌনবা হোৎনবদা মণিপুরদা ঈ পি আর রেজিষ্টর তৌবা ফার্মগী খুদোংচাবা লৈতবনা মতম খরা চঙলবসু চঙনা ঙসি গুৱাহাটিগী ফার্ম অমগা কন্টেক্ট তৌনদুনা থাদোকখিবনি। ...মখা লমায় ৮ কলম ৬

## ময়াং ইম্ফাল এগ্রো কমপ্লেক্সকী নোংপোক ১দি নোংচুপ্তা লৈরিবা দুকান ১৫ লৌথোকপীয়ু



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচএনএস):** ময়াং ইম্ফাল কৈথেল মনাক্তা এগ্রীকলচর লোয়শঙগী মখাদা শাজিল্লম্বা ময়াং ইম্ফাল এগ্রো মার্কেট কমপ্লেক্সকী নোংপোক থংবদা দুকান ৬ অমসুং নোংচুপ্তা দুকান ৯ পূন্না ১৫ লৈরিবা অসি লৌথোকপীয়ু হায়না ময়াং ইম্ফাল বজার ৱিমেন্স ভেন্দর ৱেলফ্যের এসোসিএশনগী সেক্রেটরি থৌনাওজম উশারানিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি এসোসিএশন অসিগা কুসিমাগা খূৎশম্নদুনা ময়াং ইম্ফাল ইমা কৈথেলদা পোৎফম ফল্লিবী ইমা ইবেলশিং ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## সেক্সুএল হরাসমেন্টগী কেসতা বি এস এফ পর্সনেল ১ চূড়াচান্দপুর পুলিসনা ফারে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচএনএস):** য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোক অমদা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা দিপ্লোই তৌবা বি এস এফকী পোষ্ট অমগী পর্সনেল অমনা নুপী অমদা সেক্সুএল হরাসমেন্টগী থৌওংশিং চত্থরে হায়বা ৱাহৌদগী থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা ফাইল ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## য়ু জি ৮ ফারে, নোংমৈ ফংলে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচএনএস):** পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী পুলিস অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## ৱাই সুসিন্তকুমার প্রিপাককা মরী লৈনদে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ :** পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী পব্লিসিটি ওফিসর মঙাল খুমনন‌া থোরকপা চেরোল অমদা ৱাই সুসিন্তকুমারগা প্রিকাকক‌া মরী লৈনদে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙরাং থাংজ নুমিৎকী পাউচে/ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া অমসুং এ আই আরনচিংবদা য়াওখিবা মণিপুর পুলিসকী কাঙবু অমনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাবগাই মাইরেনবম লৈকায়দগী য়ুম্নাম সুসিন্তকুমার (২৬) কৌবা কাদর অমা ময়ূমদগী ৭.৬২ এম এম পিষ্টোল (০.৩২) অমসুং মরূ ৮গা কোন্ননা ফারে হায়রিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## লাঞ্জেল্লকপা ঐখোয়বু রিলিফ কেম্পতগী প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউসশিংদা অমুক কয়াম কুইনা থম্বীগদোইনো : বিমোলা

*রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী*
**হকথেংনবা পাউদম**
চূড়াচান্দপুরগী খুগা তম্পাক্তগী খুঞ্জা

**(হান্নগী মখা...)**

চূড়াচান্দপুরগী খুগা তম্পাক্তগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএশনদা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ৫০ শুরবী থৌদাম ওংবী বিমোলানা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, হান্নদি ইশানা দুকান ফমজদুনা ইমুংগী অহো অরাক অমদি ইচাশিংগী লাইরিক লাইশু তম্বগী অচঙবা পূম্নমক মেনখৎনদুনা লৈজরকখিবনি। অদুবু মে ৩, ২০২৩দগী লান অসি হৌরকখিবদগী থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লত্তুনা হৌজিক ফাওবা রিলিফ কেম্পতা লৈরবসু ইচাশিংদি মতমগী মতুংইন্না ময়ূম মকৈ পানবগী মতমসু য়ৌশিল্লকপনা চেনবা খোৎপসু য়াওরক্লে। অদুবু ইচানুপীনা য়ূম্বান পূন্সিদা খোঙদানবগীদমক চেল্লবসু ঐহাক্লা মমা অমা ওইনা ইচানুপীবু অতোন-অতাসু ওইবনিনা মতিক চাবা অওং অঊন তম্বীদুনা লুহোংবীনীংই অদুম ওইনমক হৌজিকপুদি চেল্লুরবসু অঙাং খরা ওইমল্লি হায়দুনা মখা তানা মহৈ তমহল্লি।

ইচানুপীনা চেনবা মতমদা ঐহাক্লা লৈরক্লিবা রিলিফ কেম্প অসিবু য়েংশিনবীরিবা কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা অমদি লাঞ্জেল্লত্তুনা লৈমিন্নরক্লিবশিংনা চোংথোকপীদুনা অৱাৎ-অপা লৈতনবা লোইনমক হোৎনবীখি। অদুবু ইশাগী য়ূম ফাওবা লৈত্রবা মতমসিদা ইচাশিংদি লাঞ্জেল্লক্লে হায়দুনা মতমগী খোঙচৎ অসিদা খোঙদাগনু হায়বদি য়াদবনিনা ইচাগী অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোরকপদা অদুক্কী মতিক পেন্দবা ফাওই হায়রকখি।

পূম্নমক অসিগী মথক্তা হৌজিক চহী অনী হেন্না থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লত্তুনা রিলিফ কেম্প অসিদা চঙজফম লৌরক্লিবা ঐখোয়বু ইশাগী য়ূম ইঞ্জোলদা হঞ্জিলহনবগী মহুত্তা লৈঙাক্লা শাবা প্রি ফেব্রিকেটেদ হাউসতা মখা তানা লৈহনবা তারবদি ইচানুপীবু ইশাগী শুমাংদা লুহোংবগী খুদোংচাবা ফংলোইদবগী ফীভমদা লৈরে। অসিগুম্বা পূন্সি মহিং অসিদি অদুক্কী মতিক পামদ্রে হায়রকখি।

মে ৩, ২০২৩দা চূড়াচান্দপুরদা কুকিশিংনা মখোয়গী ওইবা রেল্লি অমা চৎখিবনি। রেল্লি অদু লোইশিল্লকপদা মখোয়না তোর্বুং বাংলা রোমদা চঙশিনখিদুনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহনখিবদা নত্তনা য়াচংলকপা মতমদগী হৌরদুনা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা মীতৈশিংদসু ওনশিল্লকখিবনি। মখোয়গী থৌওং অদুদগী থৱায় হিংনবগীদমক ইশাগী য়ূম ইঞ্জোল থাদোক্লমদুনা লাঞ্জেন্নরক্লগা হৌজিক ফাওবা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরক্লিবনি হায়রি। (মথং-মথং)

## সমিতা মীশিগী জে এ সীনা কৌরিবা পুং ৪৮গী বন্দ হন্দোকপীয়ু : কে সী পি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিক রিলেশন্সকী সেক্রেটরি এম পুন্সিবা মৈতৈনা থোরকপা চেরোল অমদা মাইবম সমিতাগী মীশিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা কৌরিবা পুং ৪৮গী বন্দ হন্দোকপীয়ু হায়জবগা লোয়ননা ৱাফম খরা ফোঙদোরক্লি। ...মখা লমায় ৬ কলম ১

## তরাশুবা জেনরেল এসেমব্লি মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে : চরাইরোংবা

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ :** পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট : মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ এদ্যুকেশনগী সেক্রেটরি চরাইরোংবা থোকচোমনা থোরকপা চেরোল অমদা লালহৌলূপ অসিগী ১০শুবা জেনরেল এসেমব্লি মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা জুলাই ২৮দগী ৩০ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চূপ্পা চথরকখিবা লালহৌলূপ অসিগী ১০শুবা জেনরেল এসেমব্লি (জি এ) মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে। জেনরেল এসেমব্লি অদুদা লালহৌলূপ অসিনা ১৯৬৪দগী চথরক্লিবা মণিপুরগী নীংতম লালহৌ অসিদা ইরৈবাক্কী নীংতম্নবগীদমক ...মখা লমায় ৮ কলম ৪

## থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী পুং ৪৮গী বন্দ হন্দোকচরে : জে এ সী

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচএনএস):** মমাঙ থাগী ২৮দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবী মাইবম ওংবী খাঙেম্বম নিঙোল সমিতা মীশিগা মরী লৈননা শেমখিবা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দি কিল্লিং ওফ মাইবম ওংবী খাঙেম্বম নিঙোল সমিতা (তেকচম) থৌবালনা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউজী মীফমদা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী থা অসিগী ৫গী অহিং নোংয়াই ফাওবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা জেনরেল ষ্ট্রাইক চঙশিনগনি হায়না লাউথোকখিবদু য়েথোকচরে হায়না জে এ সীগী চেয়রমেন কে ঐচ মেরাতোম্বী লৈমা অমসুং কনভিনর জেমসনন‌া খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি য়েথোকচবগী মরমদি মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি/য়ুনিটি দে হায়বা লৈবাক্কী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫